# নেরোকা অমসুং ট্রাও দ্রো চৎখ্রে, রিয়াল কাশ্মীর এফ সীনা চেন্নাই সিটি এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

I-LEAGUE



নেরোকাগী শান্নেরায় (কোল্লা মচু)না ট্রাওগী শান্নরোয়দগী মাঙজিল থাদুনা বোল পুননবা হোৎনবা

কোলকাটা, জন্যুৱারী ১৫(এজেন্সী):
হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১গী ঙসি শান্নখিবা ১০শুবা মেটচতা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব অনী নেরোকা এফ সী অমসুং ট্রাও এফ সী পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা রিয়াল কাশ্মীর এফ সীনা চেন্নাই সিটি এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কোলকাটাগী কল্যানি ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো আই-লীগকী ১০শুবা মেটচতা নেরোকা এফ সীনা মখোয়গী অহানবা মেটচ অদু শান্নরকপনি। অমরোমদা, ট্রাও এফ সী মখোয়গী অনীশুবা মেটচ অদু ঙসিগী মেটচ অদুনা ওইখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ঙল্লিঙৈ নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা শান্নরকপদা খূদোংচাবা খরা ফংবা ঙমখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা নেরোকাগী থোকচোম বারুননা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ট্রাও এফ সীবু মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচ অদুগী মখা চথরকপা মিনট ৫গী মনুংদা ট্রাও এফ সীগী মায়কৈদগী নাইজেরিয়া মচা জোসেফ মাইয়োৱা ওলালেনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু য়াম্না মান্নবা মওংদা অমুক পুরকপা ঙমখি। অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌবা মতম অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। লোয়নবা অনীশুবা হাফ শান্নরকপা অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।

ঙসি কোলকাটাগী মোহন বগান গ্রাউন্দদা রিয়াল কাশ্মীর অমসুং চেন্নাই সিটি এফ সী লম্বা তৌনবদা রিয়াল কাশ্মীরনা ২-০দা থোইবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু রিয়াল কাশ্মীরগী মায়কৈদগী কেমরুন মচা এসর পেরিকনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

চেন্নাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনখ্রবসু মখোয়গী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু রিয়াল কাশ্মীরগী দিফেন্দরশিংনা ঙাকথোকপা ঙমখি। ৬৭শুবা মিনটতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা রিয়াল কাশ্মীরগী লালরিনদিকা রালটেনা ৮৩শুবা মিনটতা মহাক্কী টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা চেন্নাই সিটি এফ সীবু ২-০দা থোইবা ঙমখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Churchill Brothers | 2 | 1 | 1 | 0 | 5 | 2 | 3 | 4 |
| 2 | Mohammedan SC | 2 | 1 | 1 | 0 | 1 | 0 | 1 | 4 |
| 3 | Real Kashmir | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 1 | 2 | 4 |
| 4 | Chennai City FC | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 3 | -1 | 3 |
| 5 | Gokulam FC | 2 | 1 | 0 | 1 | 5 | 5 | 0 | 3 |
| 6 | Sudeva | 2 | 1 | 0 | 1 | 3 | 1 | 2 | 3 |
| 7 | Punjab FC | 2 | 1 | 0 | 1 | 4 | 4 | 0 | 3 |
| 8 | TRAU | 2 | 0 | 2 | 0 | 2 | 2 | 0 | 2 |
| 9 | Neroca FC | 1 | 0 | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 |
| 10 | Aizawl | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |
| 11 | Indian Arrows | 2 | 0 | 0 | 2 | 2 | 8 | -6 | 0 |

# প্লেট গ্রুপ্তা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু রন ৪৫দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে, নাগালেন্দনা সিক্কিমবু রন ১০০দা থোইখ্রে

চেন্নাই, জন্যুৱারী ১৫(এজেন্সী):
সায়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফি টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি চেন্নাইদা লৈবা মুরুগপ্পাগী টি আই সাইকল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা প্লেট গ্রুপকী মেটচ অমদা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু রন ৪৫দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা নাগালেন্দনা সিক্কিমবু রন ১০০দা থোইখ্রে।

মণিপুরনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ২০ শান্নবদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১৪৯ লৌবা ঙমখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী শান্নখিবা বেটসমেনশিং অদুনা য়াম্না চাওবা ইন্দিভিজ্যুএল স্কোর তৌবা ঙমখিদ্রবসু অপূনবা স্কোর অদু ১৪৯ য়ৌখি। অহুমশুবা বেটসমেন এল কৈশাংবমনা রন ২৯ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ৮শুবা বেটসমেন কিষন সিংঘনা আউট ওইদনা বোল ১২দা সিক্স ১, ফোর ১ য়ৈরগা রন ২২ লৌরম্বা লোয়ননা কেপ্টেন আর কে রেক্স অমসুং মরিশুবা বেটসমেন নিটেশ সেদাইনা রন ২১/২১ লৌখিবশিং অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা অরুনাচল প্রদেশনা রন ১৫০ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ২০ য়ৌবা ঙমদনা বোল ২ ৱাৎলিঙৈদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১০৪খক লৌখিবদগী মেটচ অদু মণিপুরনা রন ৪৫দা থোইবা ঙমখিবনি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী বোলর মঙামক ৱিকেট লৌবা ঙমখি। বিশ্বরজিৎ কোন্থৌজমনা ৱিকেট ২ লৌরগা খ্বাইদগী য়ামখি। কেপ্টেন আর কে রেক্স, থোকচোম কিষন, অজয় লমাবম অমদি কিষন সিংঘনা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী মঙাশুবা বেটসমেন রাহুল দলালনা বোল ২৭তা সিক্স ১, ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৯ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। মহাকপু মণিপুরগী বোলর থোকচোম কিষননা আউট তাহনখিবনি। টিম অদুগী মরিশুবা বেটসমেন কমসা য়াংফোনা বোল ২৪দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২২ লৌখিবা অদুনা অনীশুবা ফজবা স্কোর ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন নজিব সায়দনা রন ১৪ লৌখিবা লোয়ননা অহুমশুবা বেটসমেন কুমার নোমপু অমদি ৭শুবা বেটসমেন অখিলেশ সাহনিনা রন ১৩ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী ইন্নিংসকী অরোইবা ওভরগী মরিশুবা বোলদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১০৪ লৌখিবদগী মেটচ অদু মণিপুরনা রন ৪৫দা থোইখি।

প্লেট গ্রুপকী ঙসি চেন্নাইগী গুরুনানক কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা নাগালেন্দনা সিক্কিমবু রন ১০০দা থোইখি।

মেটচ অদুগী টোস সিক্কিমনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা নাগালেন্দগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৭৬ লৌবা ঙমখি।

নাগালেন্দগী কেপ্টেন অমসুং ওপনরসু ওইরিবা জোনাথন আরনা বোল ৩৯দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৫৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। অদুবু অহুমশুবা বেটসমেন এস মুনধেনা শুপ্নগী বোল ২৮দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫৪ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটিংগী পর্ফোর্মেন্স ওইখি।

নাগালেন্দগী মরিশুবা বেটসমেন বিনিনা রন ৩০, ঝি মোমিনা রন ২১ অমসুং চেটন বিষ্টনা রন ১৩ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

মেটচ অদু থোইননবা সিক্কিমগী মায়কৈদগী রন ১৭৭ লৌবগী টার্গেট অদু য়ৌননবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক ১৫শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ৭৬খক লৌরম্বা অদুনা টিম অদু নাগালেন্দগী মখূৎতা রন ১০০দা মায়থীবা নংখিবনি।

সিক্কিমগী মায়কৈদগী হৌরকপদা ফীভম য়াম্না শোকখি। স্কোর বোর্দতা রন ২ খক লৈরিঙৈদা ওপনর নিলেজ রন ১দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ চঙলকখিবা কেপ্টেন রোবিন বিষ্ট শুপ্নগী রন ২দা আউট ওইখি। মখা তারকপদা ওপনর অসিশ রন ৯দা আউট ওইখ্রবা মতুং মহুৎ শিল্লকখিবা ৫শুবা বেটসমেন প্লাজোর টমাং রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মতম অদুদা সিক্কিমগী স্কোর বোর্দতা ৱিকেট ৪ তুবদা রন ১৮খক লৈখি।

বারুন সুট অমদি লিয়োং লেপচানা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর অদু ২৬ ফাওবা য়ৌহল্লবা মতুং লেপচা রন ৭তা আউট ওইখি। ৭শুবা বেটসমেন অনুরিট সিংহনা বোল ২৬তা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪১ লৌখিবা অদুনা সিক্কিমগী টিম অদুবু কনবা ঙমখিদে। মখা তাবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন ৫ য়ৌদনা আউট ওইদুনা অপূনবা স্কোর ৭৬তা ইন্নিংস লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু মখোয় নাগালেন্দগী মখূৎতা রন ১০০দা মায়থীখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা ৪শুবা টেষ্ট মেটচতা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ২৭৪ লৌদুনা লৈরি



ব্রিজবেন, জন্যুৱারী ১৫(এজেন্সী):
ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট টেষ্ট মেটচ মরিগী সেরিজগী অরোইবা মেটচকী ঙসি অহৌবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিল্লকপদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ২৭৪ লৌবা ঙমখ্রে।

ব্রিজবেন সিটিদা লৈবা গেবা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন টিম পেননা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। হৌরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফীভম শোকখি। ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুনা মখোয়বু লাকশিনবা ঙমদুনা রন লৌহনখিদবদা নৎতনা ওভর ১০গী মনুংদা ৱিকেট ২ আউট তাহনবা ঙমখি।

টিম অদুগী ওপনর দেবিদ ৱার্নর শুপ্নগী বোল ৪খক মায়োক্লরল্লগা রন ১ লৌদুনা লৈরিঙৈদা আউট ওইখি। মহাক মহমদ সিরাজনা লংলকপা বোলদা রোহিট শর্ম্মনা ওক্তুনা আউট ওইখিবনি। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপূনবা রন ৪খক লৈখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লদুনা মার্নস লাবুসাঙ্গেশান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা অতোপ্পা ওপনর মার্কস হেরিজগা ইন্নিংস মখা তানা পুখৎনবা হোৎনরকপদা অপূনবা স্কোর ১৭ য়ৌরকপদা মার্কস হেরিজ ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বোলর সার্দুল থাকুরনা লংলকপা বোলদা ৱেশিংটন সুন্দরনা ওক্তুনা রন ৫দা আউট ওইখি। লাবুসাঙ্গে অমদি নৌনা চঙলকপা বেটসমেন ষ্টিভেন স্মিথনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু রন ৮৭ ফাওবা শুহনবা ঙমখি।

ষ্টিভেন স্মিথ বোল ৭৭ মায়োক্লরল্লগা ফোর ৫ য়ৈবগা লোয়ননা রন ৩৬তা আউট ওইখি। স্মিথপু ইন্দিয়াগী ৱেশিংটন সুন্দরনা লংলকপা বোলদা রোহিট শর্ম্মনা ওক্তুনা আউট ওইখিবনি। মহাক্কী মহুৎতা মেথিয়ু ৱেদ শান্নবা চঙলকখি। ইন্দিয়াগী বোলিং এটেক অদুবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা লৈরিবা মার্নস লাবুসাঙ্গে অমদি মেথিয়ু ৱেদনা মরিশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক পূন্না রন ১১৩ হাপচিনবা ঙমখি। মেথিয়ু ৱেদনা বোল ৮৬ মায়োক্লরকপদা সিক্স ৬ য়ৈরগা রন ৪৫ লৌদুনা য়াম্না ফজরকপা তাঞ্জা অদুদা ইন্দিয়াগী টি নটারাজননা লংলকপা বোলদা সার্দুল থাকুরনা ওক্তুনা রন ৪৫দা আউট ওইখি। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপূনবা স্কোর ২০০ য়ৌখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী মখা তাবা রন ১৩ হাপচিল্লগা রন ১০০ হেন্দুনা লৈরবা লাবুসাঙ্গেবু টি নটারাজননা লংলকপা বোলদা রিসব পন্টনা ওক্তুনা রন ১০৮দা আউট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ২০৪ মায়োক্লখিবদা ফোর ৯ য়ৈরমখি।

৬শুবা বেটসমেন কেমরুন গ্রিন অমদি কেপ্টেন টিম পেন্টনা টেষ্ট মেটচ অসিগী অহৌবা নুমীৎকী ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ২৮ অমসুং ৩৮ লৌদুনা ক্রিজদা লৈরি।

# মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী নুপা অমসুং নুপীগী টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস):
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখিবা মঙারকশুবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন এলিট অমসুং প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ অমসুং অহানবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন ৱিমেন্স টি-২০ ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট থা অসিদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নুপাগী এলিট অমসুং প্লেট টুর্নামেন্ট থা অসিগী ২৮দগী হৌরগনি। অদুগা অহানবা ৱিমেন্স টি-২০ ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদুনা থা অসিগী ১৯দগী হৌগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং, মেটচ ওফিসলশিং অমদি য়ূম্বু ওইগদৌরিবা ক্লবশিং অদুনা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্না হকচাং শাফগদবা মওংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী কাঙলোনশিং, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী ওইবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরশিং অদু টুর্নামেন্ট মনুংদা চৎনগনি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী অকুপ্পা সেদ্যুল্ডশিং অদু অথুবা মতমদা ফোঙদোরক্লগনি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী জেনরেল মেনেজর টোমি থিঙোমনা প্রেসতা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুরগী শান্নরোয় ৫৭ অমসুং ওফিসল ৫ খনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস):
উত্তরখন্দগী দেরাদুনদা ফেব্রুৱারী ৭তগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাকো ইন্দিয়া কেদেট, জুনিয়র অমসুং সিনিয়র নেসনল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয় ৫৭ অমসুং ওফিসল ৫ খল্লে হায়না কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী প্রেসতা খঙহল্লক্লি।

এসোসিএসন অসিনা ঙসি মোইরাংখোম লৈপুং বজারদা লৈবা ওফিসতা নেসনল কিক বোক্সিং ফেদরেসন ওফ নন-গভর্ণমেন্ট ৱাকো ইন্দিয়ানা স্পোন্সর তৌরগা কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শিনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোকখি।

খনগৎলবা এথলিটশিংনা মখোয়-মখোয়গী পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ অনীগা লোয়ননা চহী তাকপা দোক্যুমেন্টশিং য়াওনা জন্যুৱারী ৩১ ফাওবগী মনুংদা থাগৎলক্তুনা রেজিষ্ট্রেসন অমসুং কোচিং কেম্পতা য়াওগদবনি হায়না জেনরেল সেক্রেটরি এস উমাকান্তনা থোকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

নুপাগী শান্নরোয়শিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী শান্নরোয় ১৩, ইম্ফাল ইষ্টতগী শান্নরোয় ১০, চুড়াচান্দপুরদগী শান্নরোয় ১১, এম পি এস সীগী ৭ অমসুং থৌবালদগী শান্নরোয় ১১ য়াওরি। নুপীগীদা থৌবালদগী ২, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং চুড়াচান্দপুরদগী অমমম্ য়াওরি।

# ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখ্রবী এম সী মেরি কোম নেসনল বোক্সিং কেম্পতা শরুক য়ারগনি



কোলকাটা, জন্যুৱারী ১৫(এজেন্সী):
মালেমগী নুপীগী বোক্সিংদা মমিং লৈরবী মণিপুরদগী হৌখিবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইখ্রবী এম সী মেরি কোমনা কর্নাটাকাগী বিজয়ানগারাদা হৌগদৌরিবা নেসনল বোক্সিং কেম্পতা শরুক য়াননবা শেম শাখ্রে।

মমাংগী চহীদা জোর্দানগী সিটি অমানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং বোক্সিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবদা কিলোগ্রাম ৫১গী কাঙলূপ্তা ফজবা ঙমদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

মেরি কোমনা ফোঙদোকখিবদা, নেসনল বোক্সিং কেম্পতা শরুক য়াগদৌরিবা অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। মহাক্কী পূন্সিদা খ্বাইদগী মতম শাংনা কেম্প অমদগী লাপথোক্তুনা লৈরকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মরুওইনা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী হীরম খূদিংমক্তা অপনবা পীদুনা লাকখিবনি। মেরি কোম মশামক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না কেম্প অসি য়াওননবা হোৎনবদা মাঙজৌননা ক্বারন্টিন তৌখিবনি। মদু লোইরবা মরম্না কেম্প অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

মহাক দেঙ্গিনা নাদুনা ট্রেনিং মতম খরা য়াওবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মশাগী অরূম্বা অদুসু হান্নদগী খরা হেনগৎখি। মহাক্কী মায়কৈদগী কেম্প অসিদা তাঙ্কক নাইনা তপ্পা অমদি চাং নাইনা মহাক্কী হান্না লৈরম্বা ফজবা ফীভম অদু য়ৌননবা হোৎনগনি। লোয়ননা ট্রেনিং তৌদুনা ফিটনেসকী চাং অদুসু মপূং ফানা লৈহল্লব মতুংদা টুর্নামেন্ট শরুকয়াবগী খোঙথাং অদুনা খ্বাইদগী মমৈদা লাক্কনি হায়খি।

মহাক্না ময়ূমদা লৈরিঙৈদসু মহাক্কী পর্সনেল কোচ ওইরিবা সোটে লাল অমদি ফিজিওথেরাপিষ্টকা লোয়ননা লেপ্তুনা শাজেল তৌদুনা লাকখি। অদুবু বোক্সিং মশান্না অসিদা ফজবা ঙমগে হায়রবদি ফিজিকেল ট্রেনিং খক্তা নৎতনা প্রেক্টিস তৌবদা মহাক্কা থিন্ননবা (স্প্যেরিং) পার্টনর অমা য়াম্না মথৌ তাই। হৌজিক চথগদৌরিবা কেম্প অসিদা পূন্না নুপা অমসুং নুপী বোক্সর ৫২না ট্রেনিং চথরি।

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN — CLASS 10 REVISION COURSE Starts on 21st Jan, 2021
FOUNDATION COURSE — Class 6 to 10 — Limited seats with proper SOP
TOPPERS of 2020
1st Position Reshmi N. D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi Pitambra E/School
9th Position Noveena Ksh D/o. Sarvodayachand & S. Aradhana Nirmalabas
10th Position Chaltan Y. S/o. Y. Shantikumar & T. Romila St. Joseph
15th Position Th. Jeet S/o. Th. Rashi & Th. Shanti St. Joseph
18th Position Dhanthoi S. D/o. S. Homeshor & O. Amita Nirmalabas
19th Position Mary L. D/o. Dr. John P. & Dr. Rothangpui Little Flower
25th Position H. Nandibala D/o. H. Nandalal & S. Madhubala Nirmalabas
25th Position Henry O S/o. O. Kumud & K. Ranjita St. Joseph
1ST POSITION 2020
Reshmi Nandeibam
It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. — Reshmi Nandeibam
HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST — FIRST COME FIRST SERVE ( ONLY 250 STUDENTS )
Date: 18/02/2021 — Sub: English; 22/02/21 — Maths; 24/02/21 — MIL; 27/02/21 — S. Sc.; 03/03/21 — Science; 06/03/21 — Adl. Sub.
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS — CONTACT : 7628946313 / 8732022342 — VAN AVAILABLE
HL-B/6686/9/1-8/2

ড্রাইভর / DRIVER পামজৈ
Tata Super ACE নীংথিজনা থৌবা হৈবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীওইনা হেন্না পামজৈ। অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।
Contact : 7005422820
HL-P/8568/14,15,16

ONE STOP SOLUTIONS FOR ALL AGRI & HORTICULTURE MACHINERIES AND IMPLEMENTS
100% SPARES AVAILABLE
READY STOCK AVAILABLE
4 WHEEL DRIVE
MAHINDRA YUVO 575, 45HP
CROWN - LIFE WARRANTY
ENGINE, GEAR BOX, POWER STEERING 5 YEARS WARRANTY
Rs 9,75,000/-
KIRLOSKAR 15 HP POWER TILLER
MI LYF MINI POWER TILLER
MACHELVA AGRO MACHINERIES AND SERVICES
MAHINDRA TRACTOR SHOWROOM, MALOM BAZAR, IMPHAL
HL-P/8547/13 to 28

ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
SMART TUTORIAL CENTRE
ADMISSION OPEN
Revision Course 2021 — Class X (BOSEM), Class XII (Science & Arts)
Foundation 2021 — Class X (BOSEM), Class XII (Science & Arts)
Commences on 10th & 20th January 2021
☞ Special fee concession for former student
☞ Regular mock test with analysis
☞ Well structured study material
☞ Separate hostel for boys & girls
For details please visit Smart Tutorial Centre
Singjamei Super Market # 8730999192 / 9366048860
HL-P/8361/28/12-26/01

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com